# লমদমসিগী ত্রান্সজেন্দরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —

সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াত্রিষ্ট

dr.smanikanta@gmail.com



ত্রান্সজেন্দর হায়রগা কনাবু, করম্বা মীওইবু খঙনবগে। মীওইবা ফুরুপ অসিদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক পোক্লকপদা লোয়নরকপা বাইওলোজিকেল সেক্সকী মতুংইন্না জেন্দর অনী থোক্লা খাইদোকই - নুপা অমসুং নুপী। মসি খেন্নবগী মতুংইন্না চাওরক্লবা মতমদসু ঐখোয়গী ৱাখল, তৌথোরকপা থবক, ফিজেৎ-চাকচা, থৌদাং, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, লিচৎ-শাজৎ, চাকচা-যুথক খেন্নবা লৈগনি। অদুবু ত্রান্সজেন্দর ওইবা মীওই অমদদি পোকপদগী লোয়নরকপা সেক্স অদুগা চান্নদবা মওংদা তৌথোরকপা খুদম ওইনা নুপা ওইনা পোক্লকপা মীওই অমনা নুপীগী ৱাখল্লোন চেনবগা লোয়ননা লিচৎ-শাজৎতসু অহোংবা লাকপা কয়া ঐখোয়গী খুন্নাইদা লৈরি। অসিদসু নত্তনা মখোয়গী সেক্সুএল ওরিএন্টেসন হায়বদি সেক্সুএলগী অপাম্বা অদুসু নুপানা নুপাদা, নুপীনা নুপীদা ওইনা তৌই। মখোয়বু ঐখোয়না হোমোসেক্সুএল হায়নসু খঙনরম্মী। ঐখোয়গী খুন্নাইগী চৎনবী মতুংইন্না নুপা-নুপী অনীগী খেন্নবা থৌওং কয়ামরুম খায়দোক্তুনা থম্মী। নুপীগী ফিজেৎ, নুপাগী ফিজেৎ। নুপামচা অমসুং নুপীমচানা তৌগদবা থৌদাং। শান্নবগী মওংদসু নুপা নুপীগী মরক্তা খেন্নবা কয়া উবা ফংগনি। নুপীমচানা চাকথোংবী শান্নবা, নুপামচানা অকল অথৌগী মতৌ তম্বা চৎনদুনা লাক্লি। অদুবু মীওই খরদদি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা বাইওলোজিকেল সেক্স অমসুং জেন্দর রোল অদুগা মান্নবা মওংদা তৌথোরকপা থবক, ৱাঙাঙ-শঙাঙদা চান্নদবা, ফিরোল শেৎ-চাবদা খেন্নবা কয়া উবা ফংলি। খুদম ওইনা নুপীনা নুপা শাবা, নুপী মানবী নুপা। মখোয়গী সেক্সুএল ওরিএন্টেসনদসু খেন্নবা লৈগনি। মখোয়শিং অসিবু ঐখোয়না ত্রান্সজেন্দর হায়নসু খঙনৈ। মখোয় মশানা অমসুং খুন্নাইনা মখোয় অসি নুপাসু নত্তবা, নুপীসু ওইদবা থর্দ জেন্দর অমনি হায়না লৌনৈ। থর্দ জেন্দরগী থৌওং অসি অঙনবা মতমদগী লৈরক্লে। নুপাসু ওইদবা নুপীসু নত্তবা শা-মরক, ঙা-মরক ওইনা লৌনরম্মী। ইন্দিয়ন সবকন্টিনেন্ট অসিদা HIJRA (Transgender) গী থৌওং কয়া Kama Sutra দা ময়েক শেংনা উৎলি। ১৯শুবা চহী চাদা বৃটিশ কোলোনিএল ওথোরিটিনা মখোয়বু (HIJRA) আই পি সীগী সেক্সন ৩৭৭কী মখাদা মূখৎনবা হোৎনরম্মী অমসুং কাঙলূপ অসি ক্রিমিনেল ত্রাইব অমনি হায়না লৌরম্মী। অদুবু ২০শুবা চহী চা অসিদদি মখোয়বু থর্দ জেন্দর অমা ওইনা শকখঙবীনবা হোৎনরকখি। সুপ্রিম কোর্টনা ত্রান্সজেন্দরশিংবু থর্দ জেন্দর অমা ওইনা শক খঙবীখি। ইন্দিয়াগী ওইনা অপূনবা মীওই লাখ মঙাদি ত্রান্সজেন্দরনি হায়না পানরি। মণিপুরগী ওইনা য়েংবদসু চাওরাক্লা মীওই লিশীং মঙাগী মথক্তা লৈরম্বা য়াই।

ত্রান্সজেন্দরশিংনা মখল মখা কয়াগী পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা লায়ওং কয়ামরুম থেংনবা য়াই। পুন্সিগী খোঙচৎতা থেংনরিবা থৌদোক শম্না হায়রবদা ময়ূম-মকৈ পানবা, থবক ইনখাং তৌবা, নারক য়েক্লক্লবা মতমদা অনা লায়েংশঙদা চৎতুনা লায়েংবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা খুন্নাই অসিগী চৎনবীনি। ত্রান্সজেন্দর ওইবা মীওই অমদদি লুহোংনবা (ময়ূম-মকৈ পানবা) হোৎনবা মতমদা ৱাথোক ওইবা, থবক ইনখাং চঙবদা খুরৌ থাংবা অমসুং অনা লায়েংফমদা চৎতুনা লায়েংবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। থবক মফমদসু মখোয়বু লান্না উবীবা, খনবীবা য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া অসিনা পূক্লিং ৱাবা (দিপ্রেসন), ৱাখল চরাংনবা (এঞ্জাইটি) নাবগী চাং য়াম্না ৱাংই।

মীয়াম্না মখোয়বু লোয়ননীংদবা, তিন্ন-তোৎনবা ৱাৎপা কয়া অসিনা মখোয় খক্তগী ওইবা সব-কলচর অমা লৈবা হৌরকই অমসুং মখোয়খক্তগী ওইবা পুন্সি মরেল অমদা হিংনবা হোৎনরকই। অসিগুম্বা মতম অসিদা খুদোং থীনীংঙাই ওইবা শাজৎ (Risky Behaviour) কয়া চথরকই। খুদম ওইনা সেক্স ৱার্কর, ময়াই কাবা চিঞ্জাক, য়ু শীজিন্নবা হৌরকই। ফিনুংগী লায়না, ঐচ আই ভি/এইদস নারকপা অমদি শন্দোরকপা য়াবগী থৌওং কয়া চথরকই। খুন্নাইগী মীৎয়েংদা তোঙান্না উবীবা অসিনা ইমুং-মনুংনা ইন্থোকপীরকই। মহে তম্ফমদা নৎত্রগা থবক মফমদগী তাম্থোরকপসু য়াওই। অসুম্না দিসক্রিমিনেসন অমসুং মখোয়দা লৈরিবা ষ্টিগমাটাইজেসনগী চাং হেনগৎলকই।

ত্রান্সজেন্দর ওইবা মীওইশিংনা পোকপদা লোয়নরকপা সেক্স (নুপা নৎত্রগা নুপী) অদুদা চুশিন্নবা ঙমদে। তৌথোরকপা থবক্তা থেকোয়-নাকোয়নবা, ওন্ন-তৈনবা কয়া থোকই অমসুং খুন্নাইগী মীনোক মৈশা নংবা হৌরকই। পূক্লিং ৱাখল লৈতাদবা লায়ওং কয়া অসিগা লোয়ননা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবগী চাংসু হেনগৎলকই। ত্রান্সজেন্দরগী চাদা ৩০দি ময়াই কাবা পোৎশক শীজিন্নে।

অঙাং অমনা মহাক্কী সেক্স অসি নুপা নৎত্রগা নুপীনি হায়বসিগী থৌওং অসি চহী অনী শুরকপা শ্বাইদা খঙবা হৌরকই। চহী মঙা শুরকপা মতমদদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা নুপামচা, নুপীমচাগী শিন্থা খায়দোক্তুনা থৌদাবা হৌরকই। নুপীমচানা লাই ধুপ কৎপা অসিনচিংবা কয়াদা মতেং পাংশিল্লকই। শান্নবগী মওংদসু খেন্নবা কয়া উগনি। মতাং অসিদা থোকখিবা থৌদোক অমা নীংশিংলকই। নুপা তাঙবা, অঙাং নুপা অমা পামজবা ইমুং অমদা অঙাং নুপীমচা অমা পোকখি। মতমদুদা য়াম্না তোয়না শোন্নবা ৱাফম অমদি অঙাংদু নুপা ওইরম্মদি ফদৌনি হায়বসিনি। অঙাং অদুনা চহী অনী হেল্লক্লবা মতমদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা নুপা পামজবগী ৱাখল্লোন, নুপামচাশিংগা তোয়না তিন্ন-খোৎনবা, শান্নমিন্নবা কয়া অসিনসু খরগী মখৈদি নুপীমচা অদুগী ৱাখল্লোনদা অহোংবা খরা পীরকই। অসিগুম্বা ইমুংদা চাওরকপা নুপীমচা অদু নুপামচাগুম্না খোঙগ্রাওনা নম্না শেৎলি। মহে তম্বা চৎপদসু ফনেক শেৎতে। অতৈ নুপীমচাগুম্না মশম খাক্তে। শান্নবসু নুপামচাশিংগা নম্না শান্নে। অসুম্না পুংকক চাওরক্লবা মতম ক্লাস এলেভেন তম্বা মতমদা নুপীমচা অমগা লোয়নবা হৌরকই। ইনখৎলকপা মতাং ওইবনা পাখঙ-লৈশা অমগুম নুংশিনরকই। ফোনদা অহিং অথেংবা ফাওবা ৱারী শারগা নুংঙাইজবী ওইরকই। মেসেজ কয়া থানৈ, ভিদিও কোল কয়া তৌনৈ। তশেংনা নুংশিনবা হায়বদু ওইর। মহে তম্বদা পূক্লিং চঙদ্রে। মতম খরা লৈরগা নুপা শাবী নুপী অদুনা মমান্নবী অদু মহাক্কী নুপী ওইনা চেল্লক্লে। অঙাং ওইবদা নত্তনা আইন্নসু য়াদবা, খুন্নাইনসু পামদবা থৌওং অমা ওইবনা অনীদু খায়দোক্লরে। অনীমক চাও থকউ হায়বা য়াদ্রে। শিজরনি হায়রে। শিগে ফাওবা তৌরল্লে। ইনখৎলকপা মতাংগা ওইবনে, অহানবা নুংশিনবগা ওইরে পুন্সি চূপ্পা লৈমিন্নজরগে হায়রক্লে। অচুম-চুমদা, অফ-ফত্ত খন্থবা ঙমদ্রে। মীনোক মীশা থওইদ্রে। থৌদোক অসিমক ত্রান্সজেন্দর-মেল অমদা থোকখিবা থৌদোকনি।

লমদম অসিদা নুপী মানবী নুপা (ত্রান্সজেন্দর-ৱিমেন) কয়ামরুম লৈ। চাওরাক্লা লিশীং মঙারোম ওইবা য়াই। চপ চাবা মশীং খঙদ্রবসু অসিগুম্বা মীওই কয়া লমদম অসিগী কাচিন কোয়া থুংনা লৈ। মণিপুরদা ঐচ আই ভি/এইদস লাইচৎ লাকপা মতমদা লাইচৎ অসি থিংনবা হোৎনবদা ঐচ আই ভি শন্দোরকপা য়াবগী হায় রিস্ক বিহেবিয়র লৈবা কাঙলূপ খরদা মীৎয়েং চঙবা হৌখি। মখোয়শিং অদুদি শীংলিদা দ্রগ কাপ্পা (IDUs), Sex worker অমসুং নুপাগা নুপাগা হকতিন্নবা কাঙবু Male having sex with male (MSM) হায়রিবশিং অসিনি। হায়রিবা কাঙলূপশিং অসিদা ঐচ আই ভি অমদি অতৈ অতোপ্পা লায়না লৈব্রা খঙদোক্লবা Targeted Intervention (TI) Project পায়খৎপা হৌকি। মসুম্না তৌবা অসিদা এম এস এমগী কাঙলূপ অসিদা ঐচ আই ভি ইনফেক্সনগী চাং ৱাংই। চাদা ১৩ ফাওবা য়ৌখি। মখোয় মশেলগী মনুংদা হকতিন্নবগী থৌওং অসি অনী থোক্লা খাইদোকই। এক্টিভ অমসুং পেসিভ। পেসিভ হায়বসিনা রিসিপেন্ট ওইনা থবক তৌই। এক্টিভ হায়বসিনা পেনেন্ট্রেসন তৌবনা মাগী মথৌ ওই। মীওই খরদি এক্টিভ/পেসিভ অনীমক ওইনা থবক চথবসু য়াওই। অসিদসু নত্তনা মখোয়গী মরক্তা মীওই খরা অমসু মাগী নুপী (য়ূম পাল্লবা, লুহোংলবা) লৈবসু য়াওই অমসুং বাইসেক্সুএল ওইনা হায়বদি নুপা অমসুং নুপী অনীমক্তা হকতিন্নবা মীওইসু লৈতবা নত্তে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা, মসিদা লাইচুরবা হায়বদু ওইরবা মীওই কয়াসু লৈরি। অনা-লায়েংশঙদা চৎতুনা অনাবা য়েংবগী খুদোংচাবা ফংদবদগী হেঞ্জিল্লক্তুনা শিবসু য়াওখি। দ্রগতা লাইচুরবা মীওই কয়া অমনা লায়েংফম খঙদনা লৈরি।

অতোপ্পা খন্নবা য়াবা ৱাফম অমনা ‘ইন্টরসেক্স’ হায়বসিনি। ইন্টরসেক্স হায়বসি করিনো। পোক্লকপদা নুপা নৎত্রগা নুপীনি হায়বা ঙমদবা, অঙাং অদুদা য়াওরিবা নুপা/নুপী খঙননবা হকচাংগী কয়াৎশিং অদু য়াওরবসু মমিংতগী ওইনা মপূং ফানা য়াওদবা মরম্না নুপারা/নুপীরা হায়বদু খঙবদা ৱানা থোকই। অসিগুম্বা মীওই অসিবু ইন্টরসেক্স হায়না খঙনবা য়াই। মতম অমদা Hermaphrodite হায়নসু খঙনরম্মী। থৌদোক অমগা অমুক নীংশিংদুনা য়েংসি। অঙাং অমা পোক্লকপদা নুপা অমা ওইবগী হকচাং কয়াৎ শুনা অমদি মপূং ফানা য়াওরক্তবা মরম্না অঙাং অদুবু নুপীনি হায়না লৌখি। অঙাং অদুনা চাওরক্লবা মতমদসু নুপীমচাগী মহে তম্ফমদা মহে মশীন তমহনখি। নুপীগী ফিজেৎ লৈতেং শেৎহনখি। মহাক্লা চাওরক্লবা মতমদা ফিজেৎ অদু পামজদবদগী নুপাগী ফুরিৎ খোংগ্রাও ওইনা শীজিন্নে। নুপাগুম্না লৈবা পামজখি। অদুবু মহাক্কী শক্তাক চে অয়াম্বদা নুপীনি হায়না শক তাকখি। মীওই অদুনদি মহাক নুপীনি হায়বসি য়াজনীংখিদে। মপুম মরৈ ফারকপা, ইনখৎলকপা মতমদসু নুপী অমদা লৈগদবা Breast লৈখিদে। খোঞ্জেল নুপাগুম্না ওইখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক্কী কময়া অনীমক্তা মতুম অমা লৈবা থেংনখি। হৌজিকসু লৈরি। অদুবু মদু কনানসু থৌশাবীখিদে। তশেংবদি মদু Testes ওইবা জাৎনি। Scrotum দা লৈগদবা অদু Scrotum মপূং ফানা দিভেলপ তৌদবা মরম্না কময়াদা লৈখিবা জাৎনি। চাওরক্লবা মতমদা লায়েংশঙদা চৎতুনা ডাক্তর কয়া তান্নখি। হোর্মোন টেষ্ট কয়া তৌখি। সর্জিকেল ইন্টরভেন্সন কয়া চথখি। মমৈথংদা মেল সেক্সনি হায়বা খঙখি। মরক অসিদা মঙোন্দা মখল মখা কয়াগী মেন্টেল ষ্ট্রেস লৈখি। শিরগে হায়বা ফাওবা খনখি। সেক্স আইদেন্টিটি খঙদনা লৈবা অসিদা মহাক য়াম নুংঙাইজখিদে। নুপা নৎত্রগা নুপী অমগুম য়ূম-কৈ পান্দুনা পুন্সি লেনবমক নৎত্রবসু মহাক্কী অশেংবা জেন্দর আইদেন্টিটি অদু খঙনীংখি। অদুবু হৌজিক ফাওবদি নুপানি হায়বগী শক্তাক চে, সর্টিফিকেট ফংবা লৈত্রি। য়াম্না ষ্ট্রেসফুল ওইবা পুন্সি মহিং অমদা হিংলি।

ত্রান্সজেন্দর (ফিমেল) কাঙলূপকী ওইবা মীওই খরগা ৱারী ৱাতাই তৌবগী তাঞ্জা অমা ফংখি। মদুদা ফোঙদোক্লখিবা ৱাফম খরদি ত্রান্সজেন্দরশিংগী মরক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবগী চাং য়াম্না ৱাংলে। য়ু, স্লীপিং পিল্লস, হিরোইন মরু ওইনা পনবা য়াই। মখোয়বু হান্নগুম দিসক্রিমিনেসন তৌবীবা অমসুং মখোয়দা লৈরম্বা হঙ্গৈাই-তুকৎচবা অদুমক লৈত্রবসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মখোয়বু থর্দ জেন্দর অমা ওইনা শকখঙবীরবসু মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটস অদুদি মপূং ফানা ফংবা ঙমদ্রি। মখোয়গী মরক্তগী Miss International Queen Contest য়াওবা লৈখ্রে। লমদম অসিগী আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা শুমাং কুম্মৈ কয়াদা মখোয়গী ফিদা অমা ফংবা ঙল্লে। ব্যুটি পালর, মেক-অপ, লুহোং খোংদোংবগী, অকে-অমৌগী থৌরম কয়াদা মখোয়বু শক খঙবীবা হৌরে। অদুবু দ্রগতা লাইচুরবা কয়াগী লায়েংফম লৈত্রি। মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা ত্রান্সজেন্দরশিংগী ওইবা মপূং ফারবা মেন্টেল হেল্থ ক্যের অমসুং দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমা লৈহন্নীংই। থোং মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক মখোয়বু শক খঙবীদুনা হীরম কয়াদা শরুক য়াবা ফংহনবা, মখোয়দা য়েংলিবা মীৎয়েং, লৈরিবা ষ্টিগমা পূন্নমক অসি লৈতবা খুন্নাই অমদা হিংনীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখি। ●

---

# মে ৩গী থৌদোক্লা লৈখিদ্রবা, লৈখিদ্রবীশিংগী থৱায় তাইবঙ শেম্বা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা পোত্থাহনবীবা ওইরসনু

— মুতুম শান্তি —

পোকঙমদনা পোকপা মীওইপোকসিদা কাঙলূপ কাঙলূপ শেমদুনা হাৎন-শুনবগী লানবুং অমা ওইরেদো। লান হায়বসিদি নাকল অনীমক অশোক-অপন, অশি-অনা থোকপা হায়বসিবু লান কৌই। লান তৌবনা অফবা খক ওইবা য়ারোই। লানগী ফলদি অশি-অনাগী তেংথাখোল নত্তনা লৈতে। মমাঙঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা কুকি লান থোকখি। কুমজা ১৯১৭-১৯ ফাওবা চুড়াচান্দ মহারাজ পাল্লিঙৈ, লমদমসিদা থোকখিবগী ৱারী পুৱারীদা ময়েক লানা লৈহৌরি। কুমজা ১৯৯৩দা ফুরুপ অনীগী মরক্তা লান থোক্তুনা মীশি-মীনা কয়া, য়ূম কয়া তাঙ্গোই ওনখি। লানননা করি অফবা পুরকপগে?

হন্দক অমুক কুমজা ২০২৩গী মে ৩দা মীতৈ-কুকিগী লান হৌরক্লি। অশাউবনা মাঙ থাবা, ৱাখল ফাথবা ঙমদবা, পূক্লিং লৈতানা হিংবা ঙম্নবগী শক্তি, মগুণ চেনবা ঙমদবা মীওইশিংগী থবক থৌওংনি। “য়ুমদাংবনা কৈ নাইবা” হায়বা অহল-লমন্না থম্বীরম্বা পাউতাকমক ময়েক শেংনা উৎলি। ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চনখিবা কয়ানি ইমা লৈবাকসিদা। মমাঙঙৈগী নাগা অমদি মীতৈ মচিল মনাও ওইনা য়াম্না নুংশিননা লৈরকখি। চীংদা লৈবা চীংমীনা ময়াম্বগী মচানি। তমদা লৈবা মীতৈনা মনাওনুপাগী মচানি। মচিল-মনাও অনীগী ৱারীদা “মেরা হৌচোংবা” নুমিত্তা নুংশি চান্নবগী শক্তম ঙসি ফাওবা নীংশিংলি, থৌরম পাঙথোক্লি।

ঙসি ফাওবদা অশেংবা ঈগী খোঙ্গুল লীদুনা হিংমিন্নরিবা লমদমসিগী চীংমী ইচিল ইনাওশিংগা মীতৈ ঐখোয়গা নুংশিনদবগী শক্তম উবা লৈতে। ঐখোয়গী কংলৈপাক্কী পাক চাওবা অসি বর্গ কিলোমিটর ২২,৩২৭নি। চীংগী শরুক্লা তরা থোকপগী মাপন ওইরি। তম্পাক্কী লম্না শরুক তরা থোকপগী অমখক ওইরি। তরা থোকপগী অমখক ওইরিবা পীকখ্রবা লমদমসিদা মীতোপ কয়া অমা, চীংমী কয়াদা লম য়োনশিন্দুনা মীতৈ ঐখোয়গী লৈফম লৈত্রে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অৱাং দুকান্দা মীতৈ কয়া দুকান ফম্লিবগে? বজার মনুংদা লৈফম লৈরক্তবা মীতোপ কয়া অমা মীতৈগী লৈরক কয়াদা লৈরিবা অশানবা য়ূমশিংদা লৈশিল্লক্লি।

মীতৈগী লৈকায়দা চীংমীশিংনা লম লৈদুনা, হান্না লৈজরম্বা লৈকায়গী মমিং ফাওবা চীংগী মমিং থোঞ্জিন্দুনা পীকখ্রবা লমসিদা তৌনীংবতা তৌররি। পুক ফবগী শরুক থুংদে হায়বসি কাউফদে। লৈমিন্নরিবা ঐখোয় মশেল খৎনরগা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া মমল তাঙনা য়োন্দুনা শেন্দোং তাল্লি। লান তৌরে চানীংঙাই লৈররোই হায়দুনা পীয়ু হায়বা মমল পীদুনা ক্যু লেপ্তুনা লৈনরি। ঐখোয়না লানগী ৱাবা, মীতোপ মীয়ানচাশিংনা শেন্দোং য়াম্না ফংহৌরি।

ঐখোয়না লান তৌরগা মীতোপ্পা শেন্দোং য়াম্না তোংলনি হায়না হরাওরি। ইরমদমসিদা শৈদাংদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা লান হৌরি। শেন্দোং তানফম ওইরি। ঐখোয় পূম্নমক করিসু হায়জবা ঙমদনা তুশোন মানশোন্ননা হিংলি। ঙসি ঐখোয়গী ইচা-ইশু নুংশিরবা কয়া শিরিবা-শোক্লিবা অসি চীংমীদা মীতৈশিংনা লম য়োনশিনবনা, লমগী মপু ওইরকখিবগী মরমসু চাউনা মমি তারি হায়নরি। লাপ্পা লৈনরগা নুংশিনৈ হায়নবা ৱাহৈসু লৈ। নুংশিনবা মাঙখিবা হায়বসি মীওইবা অমগা অমগগী মরক্তা অকায়বা অশোয়বা য়াম্না লাকপা হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি।

ইশাগী লাইনীং-লাইশোন থাদোক্তুনা মীগী লাইনীংদা চৎলুবনা চীং-তম অনীগী মরক্তা নুংশিনবা ৱাৎলকপা কয়াগী ময়েক লারবা খুদম লৈখি। মমাঙঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদসু নিংথৌশিংনা লৈবাক মীয়াম্বু ৱাহনখি। অসুম্না হৌজিকসু কখোকপগী গুন চেন্দবা কয়ানা মীহুৎ ওইবনা লৈবাক মীয়াম অৱাবা ওইরি। মীহুৎ অসি লৈবাকসিগী মপু ওইরিবা মীয়াম্না ভোটতা শেল লৌরগা থাগৎখিবা নৎত্রা? ইশাগী হকপু য়োন্দুনা কাহনখিবা মীহুৎশিংনা ইমা লৈবাক্কী করি অফবা তৌরক্লিবগে? ফত্তবা মীগী হীদাক লৈতে, লিন্না চিকপগী হীদাক লৈ হায়বীরম্বা অচুম্বনি।

লোন খঙদবা কয়ানা ঐখোয়দা অফ/ফত্ত খুদিংমক্তা চেকশিন ৱাফম খরদং নীংশিংজরি - তাকচবা নৎচদে। মীতৈ ঐখোয়গী লোনদি লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপ অয়াম্বনা খঙই। ফুরুপ অতৈগী লোনদি মীতৈ ঐখোয় অয়াম্বনা খঙদে। ঐখোয়গী ইচিল ইনাওনি হায়রিবা নাগা-তাঙ্খুলগী লোন মীতৈ ঐখোয়না খঙবা নত্তে।

ঐখোয় য়াম্না চেকশিনসি। ঐখোয়গী চল্লবা পুন্সিবু তেমশিংনরক্লি। চীংমী খুদিংমক নুংশিনবা মাঙশিল্লকপসিদা মখোয়গী লোন ঐখোয়না খঙদবনা মতুংদসু ঙসিগী তাঙ্ককসিদগী হেন্না অৱাবা মীশি-মীনা থোরকপা য়াই হায়বসি খন্থমিন্নসি। চিন্দা নুংশিবনা হিংমিন্নবা য়াবা নত্তে। থম্মোয়দগী নুংশিবনা তুং কোইনা হিংমিন্নগদবনি। চিনবান্দনা খোইহি তৈবা, থম্মোয়দনা হু ফুম্বা খোঙথাংনা মালেমসিদা করম্না হিংমিন্নগনি। পাক চাওরবা চীংগী লমশিংদা চীংমী ইচিল ইনাওশিংনা ঙাক শেনগদবনি। তম্পাক্কী পীক্লবা লমদমসিনা মীতৈ ইচিল ইনাওশিংনা ঙাক শেনগদবনি। ঐখোয় ঐখোয়গী মফমবু কনানা লাক্তুনা চেকশিন্না ঙাকপীনবা মালেমদা লৈতে। অদুনবু পোক্লফম লমদম হায়না কৌরিবনি।

জপানদা বোম থাদদুনা মাঙহনখ্রবসু থবক শুবা নোম্বা কনবদগী মালেমগী ওইনা অৱাংবা থাক্তা চাওখৎখি। ঐখোয়সু মীনি, মীনা তৌবা ঙমদবা করি লৈবগে? মীপান তাংদুনা লৈরুবনা ফুরুপ কয়ানা ঐখোয়বু উশিৎলক্তবগী চাওরবা মমি অমনি। মীগী মপোৎনা হিংবনা ঐখোয় করি চাওখৎপা পুরক্কনি। মীতৈ ঐখোয়গী লুহোংবদা ফিগে ফনেক, রানি ইন্নফি চৎনবীগী মরুমদা হাপ্তুবা য়াদে হায়রি। মমাঙঙৈদদি য়ূমথোঙগী ওইনা মুগা তীল য়োক্তুনা ইশানা মহুম পুথোক্তুনা মুগা ফনেক, ইন্নফি, নুপাগী মুগা খুদৈনচিংবা ইয়োংদা শাজদুনা ইশাগী পোত্থোক ওইজরম্মী। পূম্নমক লোইনা তোকথোক্লগা মপান্দগী পুশিল্লকপা মুগানা শাদুনা ঐখোয়গী শেল খুদিংমক মীরমদা পীথোক্লি।

চাওখৎলবনি, ফজরবনি হায়না ঐখোয়গী চৎনবী ঙাক্লি। ইশাগী পোত্থোক পুথোকপগী লম্বী অদু থদৎলগা মীপান তাংদুনা হিংবা ঙম্বা জীব মখলনি। ইশানা ইশাবু মশক খঙজদবা মীওই অমগী মহিংনি। ইচা লুহোংবদা মীরমগী পোৎ লৈরগা হাপ্তুবনা ঐখোয় পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইরগনি খঙে। মীঙোন্দা শেল পীথোকপনা ঐখোয় লায়র তাল্লি। মীনসু উশিৎপীদ্রে খন্থমিন্নসি। অৱাং দুকান্দা মীতোপশিংনা হান্নগী চান-থক্লবা পোৎকী মমল ৱাংখৎলিবসি ঐখোয়না লৈবীদ্রবদি ফরোইদ্রা? ঐখোয়না লৈগদবগী মীগী দুকান মমাঙদা, দুকান হাংদ্রিঙৈদগী হৌনা পরেং লেপ্তুনা ঙাইদুনা লৈরবনিনা মখোয়না লৌনীংবা মমল লৌদুনা য়োনবা তাবনি।

লান্দা মীশি মীনা থোকপদগী, মীরমদগী পোৎ লৈরগা চাগদবগী শরুক শিখিবনা শরুক চাম্মা হেন্না ফৈ। ফজবা য়ূম, কার, ফি, চান্নবা খুদিংমক্কী অপাম্বা মীহৌবদি খঙই অদুগা থবক শুরগা হিংগনি হায়বদি কনানসু নীংশিংদ্রি। ৱাদনা নুংঙাইবা য়াবা নত্তে। হুমাং মমলনা অশেংবা লননি খল্লসি। শুনীংদবনা মাঙ থাবগী ৱাখল থাদোকসি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক লল্লোনবা, গভর্ণমেন্টনা লায়রবগী থাদরকপা শেনফম হৈনথোক্তুনা ফম্নাইবশিংগী ফুরিৎখাও চোল্লবা শেনফম কয়াগী লমদমসিদা মেলা তৌরি। খৌগংলবা, ৱারবা মীয়াম্না মঙক থাঙ্গৎতুনা, ময়া কাথোক্তুনা য়েংলি, ঙাইরি। কনানসু মীনুংশিগী মরীক অমা খিকপীগদবা লৈত্রবা খুন্নাইনি।

ইনাকখুনবা দ্রগ করবার তৌবা, ফম্নাইবা কয়াগী মচা মশুশিংগী মফমদগী মীচম মীয়ামগী ইচা-ইশুশিংনা লাপ্পা হিংবীয়ু। তুংগী য়ূম্বী ওইগদবা অফবা নহা অঙাংশিং কয়াগী পুন্সি পিথম্ন খ্রবনি। পূন্না খুন্দামিন্নরিবা অতোপ্পা মরোল লোনবা ফুরুপ কয়ানা মীতৈ ঐখোয়বু খূৎলায় য়াওদনা তপ্পা তপ্পা পুন্সি লোইশিলহল্লি। ঙায়োক চফুদা য়োকপা ঙা ফানীংবা মতমদা ফারগা চাবগুম ঙসিদি নোংম-নোংমগী মীশিং হন্থরক্লি।

লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপ তিন্নদবা কয়ানা মীতৈ হায়রিবা খুন্নাই অসি ইরমদমসিদগী মরূ ফংনা মূখৎপা পাল্লিবনি। ফৌ থম্ফম কোটতগী ফৌ খাইবা মীবু নোংমৈনা নমদুনা ফাখিবা হায়বসি হিংনা ফংখিগদ্রা? ঈশিং শোকপা মীবু গাড়ীদগী থাঙনা য়াল্লিবা অসুক তমথীরবা থৌওং অসি অমুক হন্না থোকহন্নীংদে। ●

---

ষ্টেটকী পাউ

# কাঙলূপ খুদিংমক্লা পূক্লিং ফাথমিন্নদুনা হান্নগুম্না অমুক হন্না ঈং-তপ্পা পুরকমিন্নরসি : কোরকোম

লমায় ৩ গী মখা

অসিগুম্বা পুন্সিরোল কয়াগী মরু হুন্দুনা লাক্লবা কাঙলুপ অমত্তনা ইমা লৈবাকপু মচেৎ মচেৎ শেৎপা হৌনদে, শেৎকেসু খল্লোই। খল্লবদি মখোয়বু মীতোপনি। মীতোপনা, য়ুমদাংবনা কৈনাইবা হায়বা ৱাফমদু লাক্লবদি মদুবু ঙাকথোক্লবা মখল খূদিংমক্কী উপায় শীজিন্নদনা থেংনবা তাবনি। অসিগুম্বা পোরম কয়া লেপ্তুনা য়াৎলিবা ইন্দিয়াগী হেন্না কনবা লোই মপু বৃটিশ ফাওবা কংলাশা মমাঙদা মঙক কেনখিবনি। শিংনবা খূদিংদা চীং-তম মীয়াম্না থেংনদুনা লাকপনি। বৃটিশ ওইগেরা ইন্দিয়াগী অনৌবা লোইলমগী লালোং ওইগেরা অদুম থেংনদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মসি ঙসিগী চীং-তমগী মীরোলদা মীওই খরনা কাউরবসু শোয়দনা নোংমা নীংশিংলকখিগনি। নীংশিংনবসু লেপ্লোইদবনি।

কাঙলুপ কয়ানা পুন্না খুন্দাদুনা লৈমিন্নরিবা লম অমদা, কাঙলুপ অমখক্লা মরী লৈনবা ঈহৌ তৌবা য়াদে। লাইনিং লম্বী অমখক্তদা য়ুম্ফম অমা ওইবা য়ারোই। কাঙলুপ অমনা কাঙলুপ অমগী মীওই হাৎন-শুনবা য়াদে। মরমদি এল টি টি ঈ মুখৎখিবদু শুপ্লতগী অরানবা থৌদৌ অহুম্ননি। মদুদি কাঙলুপ অমখক্তগী ঈহৌ তৌবা, লাইনিং লম্বীদা মীচঙ মীখায় নাইবা, মথোং মরম খঙদনা মী পংহাৎতা হাৎপগীনি। ৱাফম অসি থোক্তনবা অপূনবা পুরক্লবা হোৎনবদা পুজরোই হায়বগী ৱাকৎসু তাবা তাই, মীচৈসু খাঙবা তাই। মান্নদবা ৱাফম কয়া লাকপদসু নৈনবা তাই। মরমদি দিসেন্ট বিয়ুজ খূদিংমক্কী পোজিটিভ কন্টেন্সন ওইথোকপা য়াবা ৱাফম লৈতে হায়বা য়াদে। য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি পুরক্লবা হোৎনবদা হোৎনরিবা মায়কৈরোমদা ক্রিটিসিজম কয়া লাকপা মথৌ তাই। হায়রিবা ক্রিটিসিজম অদুদা পুন্না থেংনদুনা পুরকপা য়াবা ৱারোল কয়া পুনশিনবা পান্বা কাঙবুগী মায়োক্তা লেপ্তুনা থল্লকপা য়াদে খল্লোইদবনি। মসিসু দাইলেটিক্স প্রোসেস অমনি হায়না লৌসি। চীংগী ইচিল-ইনাওশিংনা, মীতৈনা মতম অমা হিন্দু লাইনিং চৎতুনা মখোয়বু মাংই হায়না ইন্থোকই হায়খি। ঙসিদি লূপ কয়ানা শীন্দুনা নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বা চাউখ্রবা কুম্মৈদুদা মৈতৈ বামোননা চাক থোংদুনা মখুৎমক্লা চাক-এঞ্জাং হাপ্তুনা চীংমীশিংবু মবুক পেন্না পীজরক্লি। মসিদসু নত্তনা মীতৈগী য়ুম কয়াদা চীংগী ইচে-ইচল কয়াসু থম্মোয় শেংনা চাক্কৌবা চত্থরক্লি। অপূনবা য়েলহৌমীগী মপালগী খূৎ চঙবা ঙমখিদবা অশেংবা লাই তিংকাউ রাগৱাংবু ইৱাৎ থৌনিবগী চাকন গান ঙাইদা মীতৈগী ইমা-ইবেল, ইচে-ইনেম কয়ানা অথেনপোৎ লানবা লেপ্তুনা চত্থরক্লি।

মণিপুর (কংলৈপাক)গী অপূনবা পুৱারী লৈ হায়বসি মীতৈনা উৎলিবা মেরা হৌচোংবা, লাই হরাওবগী লাইরোই নুমীৎতা তাংখুল-নুরাবীগী লেপ্পা লৈতবা ৱারীনা লেপ্তুনা পাউখুমনি। চীংগীসু পেন্দবা, অৱাৎ-অপাদা হায়নিংবা হায়সনু, ইনিংবা ইসনু, পুম্নমক অমত্তা ওইনা অন্দরষ্টেন্দিংদা লাক্লবা হোৎনগদবনি। মসিনা পুরকপা ইন্টিগ্রিটি অমসুং য়ুনিটি অদু মতম পুম্বগী ওইগদবনি।

ঙসিগী মালেম অসিদা ইথিনিক ইস্যু হায়বদি ফুরুপ মচাগী ৱাহং লৈতবা লৈবাক লৈতে হায়বা য়াই। ফুরুপ মচা মচাশিংগী শক্তম, তোঙান তোঙানবা লোন, চৎনবী, মশাগী লমগী ইকায় খুম্নবা, শোত্থাহৌরবা কাঙলূপ নত্ত্রগা ফুরুপ মচাদা তঙাই ফদনা অখন্নবা তেঙবাং পীবা চঙই। পিপল রিপব্লিক ওফ চাইনাদা মাইনোরিটি ইথিনিক পোপুলেসন ৫৫ রোম লৈবদুনা চাইনাগী অপুনবা ফুরুপতা হেন্না মপাঙ্গল হাপ্পদৌনা মালেমগী ওইনসু অতোপ্পা লৈবাক কয়াদা থৌওং অসি লৈবনি। মণিপুরগী ওইনসু থৌওং অসি তঙাই ফদনা পুক্লিং থৌগৎপা চুম্মী। ইন্দিয়া কৌবা লৈবাক অসি শেমদ্রিঙৈদা মণিপুরদি নিংতম্বা লৈবাক ওইদুনা লাক্লবা চহী ২০০০ হেনবগী অইবা পুৱারী লৈরক্লবা লৈবাক্লি। অদুমকপু য়াম্না পীকপা ষ্টেট অমনি খঙনা খঙনা খুঙ্গংমুক্তং চাওবা মফম খরনা ষ্টেট অমা শেমগনি হায়বা এজেন্দাদা থাজবা মীওইশিংসু চীং লমদগী থোরকপসু য়াওরি। মণিপুরগী পুৱারী অসি ২০ শুবা চহী চাগী মালেমসিগী পুৱারীগী মচেৎ অমা ওইদুনা লাকই অমসুং খা নোংপোক এসিয়াগী সিভিলাইজেসনগী মনুং চল্লকই। ঙসিগী মালেমদা মণিপুরগুম্বা অপীকপা লমদমগা মীশিংদা মান্নবা নত্ত্রগা লমগী পাক চাওবদা মান্নবা নত্ত্রগা হিরম অনীমক্তা হাইরপ মান্নবা লৈবাক ৯০ রোম লৈরিবনি। মিদ্দল ইষ্টকী অচৌবা পৱার ওইরিবা ইজরেলগী লমগী পাক চাওবদগী মণিপুরগী লমগী পাক চাওবনা হেল্লিবনি। সোভিএট য়ুনিয়নদগী মনিং তমখ্রবা লৈবাক ইষ্টোনিয়াগী মীশিংদগী মণিপুরগী মীশিংনা লাক্ষ খরা হেল্লিবনি। মালেম অসিদা মণিপুরগী মফম করিনো হায়না হংনরকই। পাক চাওবা খাইরুদনা মালেমসিদা মনিং তম্বা লৈবাক কয়া লৈরি। মালেমদা মণিপুরগী খোল্লাউ তাবা ফঙদ্রিবশিংগী মরম লৈফম থোকই। মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও অমদি অনীশুবা লাঞ্জাওনা পুরকখিবা অচৌবা অহোংবশিংগী মনুংদা পনবা তারবদি ইম্পেরিএলিজম, ফেসিজমনা মরাই চাইথরকখিবগা লোয়ননা মান্নবা খুন্নাই থোরক্লবা হোৎনবা, ফেদরিএলিজমগী চাংয়েং থোরকপা, লোইলমশিংনা নিংখা তল্লকপা, পোষ্ট নেসন থোরকপা, সাইন্স অমদি টেক্নোলোজিনা অনৌবা লাইনিং ওইরকপা, গ্লোবেল ভিলেজ অমগী অনৌবা মঙ মঙনরকপা অসিনি।

মণিপুরগী ঙমখৈ শোকহন্দনা অচুম্বা কাঙলোনগী মখাদা মণিপুরগী ট্রাইবশিংনা ট্রাইবেলিজমদগী নাম্থোক্লবা নেসনেল প্রোসেস চঙবদা মণিপুরগী ঙমখৈদগী কনা অমত্তনা থিঙবা তৌদে। য়ৈথৎপসু লৈখিদ্রি। ঐখোয়গী হৌখ্রবা পুৱারীগী লিক্লম হোংদোকপা কৈদৌনুংদা ওইথোক্তে। ইরমদমগী শেম্বা লোইদ্রিবা পুৱারীদি অপুনবা মণিপুরগী ফুরুপ ৩৯ গী খুৎতা লৈ। ইরমদমগী ওইরিবা ফিভম অসিদা হংলিবা ৱাহং খুদিংগী পাউখুম পীবা হায়বসিসু অকক্লবা ফুরুপ অমা অনীখক্কী থৌদাং নত্তে। ফুরুপ ৩৯ গী নাম্থোকফদ্রবা থৌদাংনি। চহী ২০০০দগী হেন্না কায়রক্ত্রবা মণিপুরগী অপুনবা লমগী ঙমখৈ ঙাক শেনবগী থৌদাং মণিপুরগী অপুনবা ফুরুপশিংগী মনুংদা মীতৈ, নাগা, কুকি, মীতৈ পাঙল হায়রিবা খরা চাওবা ফুরুপশিং অসিনা অপীকপা মীশিং য়ামজদবা ফুরুপশিংগা লোয়ননা লৌমিন্নদুনা লাকখি। থৌদাং অসি হৌজিকসু লৌরি। তুংদসু লৌদুনা লৈখিগনি। তশেংনমক হন্দক্কী লাইবক থীবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অসি থোক্লিংঙাই ওইদবা অমসুং থোকহল্লমদবা য়াবনি। অদুবু ঐখোয়গী মীয়ামগী মরক্তগী মীওই খরনা য়েক্লবু মশক খঙবা ঙমহৌদবা য়েক্লবনা কনানো, ইচিল ইনাওনা কনানো হায়বা মশক খঙবা ঙমখিদবনা ঐগী ফুরুপকী ইচিল ইনাওবু য়েক্লবা ওইনা উরগা য়েক্লবা ইন্দিয়াবুনা মরুপ ওইনা লৌখিবদগী থৌদোক অসি থোকখিবনি। মচিন মনাও অঙম তান্নদুনা মুক্লরকপদা কনাগীসু মায় পাকপা নত্তে। মালেমগী মাঙদা হেন্নদুম ইকায়নিংঙাইনি অমদি থৌদোক অসিনা কনাগী মাঙজবনো হায়বদুসু খঙনা থবক তৌফম থোকই হায়রি।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন অসি ইন্দিয়া মায়োল লমদা লৈরিবা মীওইশিংগী য়েংলগা শেমখিবনি। মসি শেমখিবা মতমদা ঐখোয়গী মীয়াম য়াওখিবা নত্তে। অদুনা ঐখোয়গী য়াইফ থৌরাং অমত্তা মসিদা য়াওদ্রিবনি অমদি কন্সটিট্যুসন অসিনা ঐখোয়গী মীয়ামগী নিংতম্বা পুরক্লবা অমদি নুংঙাই য়াইফবা ওইরক্কনি হায়বগী ওইরোইদবা মঙলান অমত্তা মঙলোইদবনি হায়রি।

কোরকোমগী মীৎয়েংদদি মণিপুর মচা পুম্নমক অসি লোই মপু ইন্দিয়াগী মথক্তা লিশাং শিৎনা চত্থরক্লিবা ইরৈবাক্কী মাঙখিবা নিংতম্বা অমুক হঞ্জিন্নবা নিংতম লাম্থেং অসিগী অচংবা লাম্মী ঙাক্তনি। মণিপুর নিংতম্নবা লান অসি নমথনবগীদমক কাঙলূপ মশেল মুক্লহনবগী থবক অসি ইন্দিয়ানা নীংথিনা শেম শারগা থোকহনবনি হায়বসি ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবগা লোয়ননা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিংমক্লা পুক্লিং ফাথমিন্নদুনা হান্নগুম্না অমুক হন্না ইং তপ্পা পুরকমিন্নরসি। মসিবু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা ইরৈবাক্কী নুপা অমসুং নুপীগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, কাঙলূপ খুদিংমক্কী লূচিংবশিং, নহা অমসুং মহৈরোয় লূপশিংনা মাঙজিল থানা থবক তৌবীয়ু।

অরোইবদা হন্দক্কী খুৎশেমগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা লাঞ্জদ্রবা থৱায়শিং অদুনা তাইবং মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্লা পোত্থাবা ওইরসনু অমসুং থৌদোক অদুদা অশোক অপন নঙলবা পুম্নমকপুসু থুনা ফগৎপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অসিদা ফোঙদোরক্লি।